HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাও




Vol. 45, Issue No. 316 | নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 13, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00




মণিপুরগী ফোর্মর ১সুং সিটিং এম পি-এম এল এশিং চেন্নবা কেসশিং হায় কোর্টতা শুনা খঙহল্লক্কবরা

# পেন্দিং লৈবা কেস পূন্নমক্কী অকূপ্পা ৱারোলশিংগী এফিদেভিট পীখৎলক্নবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) : অশ্বিনিকুমার উপধ্যায়না য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং মরী লৈনবা ওফিসল অমগী মথক্তা কুমজা ২০১৬তা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৬৯৯ ওফ ২০১৬ ফাইল তৌরক্তুনা লৈবাক অসিদা লৈবা ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিং চেন্নবা ক্রিমিনেল কেসশিং অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌবীনবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হায়জরকখিবগী মতুংইন্না এপেক্স কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু ষ্টেট অসিগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিং চেন্নবা কেসশিংগী মতাংদা শুও মোটুদা পি আই এল নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা চখরল্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুরগী সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিং হায় কোর্টতা শুনা খঙহল্লক্কবরা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পি আই এল অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়নন্না থেঙ্খাং নাইনা চখরল্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলদা ঙরাংসু কেস অসিমক চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ১দা লিষ্ট তৌখি।

মেট্টর অসি মখা তানা খন্ননবা কোর্টনা লৌখৎলকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমারনা লেপখি। অদুগা এন আই এ অমসুং য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি। সী বি আইগী মায়কৈদনা সিনিয়র পি সী সী জি দব্লিয়ু দরাকিশ্বরনা লেপখি।

অদুম ওইনমক পি আই এল অসিগী এমিকস ক্যুরি ওইরিবা সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দনা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা পেন্দিং লৈবা ক্রিমিনেল কেসশিংগী অকূপ্পা ৱারোলশিংদা




অৱাৎপা অমসুং চিংখি-নাম্থবা খরা লৈরে হায়বগী ৱাফম কোর্টতা সবমিসন তৌরকখি।

চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চনা এমিকস ক্যুরিগী সবমিসন তারবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) না দিসেম্বর ৯, ২০২১দা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্টকী রেকোর্দ কোর্টনা ফংলে। রিপোর্ট অদুদা মণিপুরগী এম এল এ ৮গী মথক্তা পেন্দিং কেস ৮ লৈরি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী কোপি অমা জুনিয়র গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ওইরিবা পি তম্ফামনিদা ভেরিফিকেসন তৌনবগীদমক পীরগনি। অদুগা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা পি আই এল অসিগী রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা ষ্টেট ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা কেস পূন্নমক্কী অকূপ্পা ৱারোলশিং য়াওবা এফিদেভিট অমা ঙরাং (ফেব্রুৱারী ১১, ২০২২) ফাওবগী ওইনা পীখৎলক্কদবনি হায়না খঙহনখি। লোয়ননা পি আই এল অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চখুনবগীদমক মেট্টর অসি থা অসিগী ২৫দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।


ঙরাং চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা এমিকস ক্যুরিনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমসুং কোর্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট ওথোরিটিশিংনা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা কেস পূন্নমক্কী অকূপ্পা ৱারোলশিং এফিদেভিট ওইনা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রিবা অসিদগী লাক্লিবা ৱাফমদি মমাঙথক্তা পি আই এল অসিগী থেঙ্খাং নাইনা চখিখিবা ৱায়েলদা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মতুংইন্না সবমিট তৌনরকখিবা মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা ক্রিমিনেল কেসশিংগী রিপোর্টতা চিংখি-নাম্থবা য়াওরব্রা নৎত্রগনা রিপোর্টশিং অদুবু এফিদেভিট ওইনা ফাইল তৌরকখিবা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী লোৎশিনবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুরগী মায়কৈদগী জন্যুৱারী ২৪, ২০২২দা ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (এদমিনিষ্ট্রেসন) আই কে মুইভানা এফিদেভিট ওইনা মণিপুরগীফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা কেসশিংগী রিপোর্ট কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবনি। মসিগী মমাঙদা কোর্টনা নবেম্বর ৯, ২০২১দা পীখিবা দিরেক্সন অমগী মতুংইন্না নবেম্বর ৩০, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী সিটিং অমসুং ফোর্মর এম পি- এম এল এশিংগী মথক্তা লৈবা কেসশিংগী ষ্টেটস রিপোর্ট (ষ্টেটৱাইজ) অমসু নবেম্বর ২৫, ২০২১দা সবমিট তৌরকখ্রবনি। অদুগা আই জি পি (এ দি এম) গী মায়কৈদগী জন্যুৱারী ২৪, ২০২২দা এফিদেভিট ওইনা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অদুনা কোর্টকী মায়কৈদগী দিসেম্বর ১৩, ২০২১দা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্ননি।

অদুম ওইনমক ঙরাং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ঈ সী আইনা মীখলগী পদ যাত্রা পাঙথোকপদা অয়াবা পীরক্লে

### মণিপুরগী মীখলদা পোষ্টেল বেলোট ৩০,৭১২ শীজিন্নগনি




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচ এন এস): মমাঙ থাগী ৮দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা উত্তর প্রদেশ, উত্তরখণ্ড, পঞ্জাব, গোৱা অমসুং মণিপুরগী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎশিং লাউথোকখিবদগী ষ্টেট মঙাগী মীখলগা মরী লৈননা পদ যাত্রা/বাইক/সাইকল/ভেহিকল রেল্লি অমসুং প্রোসেসননচিংবা পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লকখিবদু ঙসি ঈ সী আইগী জে ইন্ট সেক্রেটরি (মীদিয়া) অনুজ চন্দকনা থোরকপা চেরোল অমদা মীখলগীদমক ষ্টেট মঙাদা পদ যাত্রা পাঙথোকপা য়ারগনি হায়রকপগা লোয়ননা তাঙ্কক অনী থোক্ল া পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখলদা অপূনবা পোষ্টেল বেলোট ৩০,৭১২ শীজিন্নরগনি হায়রি।

ঈ সী আইগী চেরোল অসিনা ষ্টেট মঙাগী মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা থল্লম্বা অথিংবশিংদগী কোমথোকহল্লবশিংদি ঙরাং ফাওবদা ইলেক্সনগী কেম্পেনগী মতম নুমিদাং পুং ৮দগী অয়ূক পুং ৮ ফাওবা অথিংবা থল্লম্বা অদু ঙসিদগী নুমিদাং পুং ১০দগী অয়ূক পুং ৬ ফাওবদং ওইরগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক কেম্পেন চখুবগী মতম শাংদোকহল্লক্লবসু মীখল থেংনরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমসুং কেন্দিদেটশিংনা মাগী মাগী ষ্টেটশিংগী ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজ মেন্ট ওথোরিটিগী কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র অমসুং প্রোটোকোলশিং ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

অদুগা মীখল অসিগীদমক পোলিটিকেল পার্টি/কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা মীটিং অমসুং রেল্লিশিং পাঙথোক্কদবা ওপন স্পেস অদুগী কেপাসিটিগী চাদা ৫০ য়ৌনা শীজিন্নদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হিজাব থিংবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মুসলিমশিংগী লুরবা নুপীশিংনা শীজিন্নবা হিজাবপু অথিংবা থল্লকপগী মায়োক্তা ঙসি ওল মণিপুর মুসলিম গলর্স ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা য়ানীংদবা উৎতুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সোরাদা প্রোটেষ্ট রেল্লি চৎখ্রে।

রেল্লি অদুগা মরী লৈননা ওল মণিপুর মুসলিম গর্লস ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী এদভাইজর নুরঙানবী শাহনা ফোঙদোরকপদা ঙসিমক ইন্দিয়াদা চৎনরক্লিবা নুপী খুন্নাইগী শীংনরক্লিবা ঐখোয়গী ফি মচেং অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## পুলিসকা মরৈ তৌনরবসু এস টি দি সী এমগী খোঙজং চঙশিনখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস): মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা হান্না লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি কম্মিটি অসিনা তাল্লিবা দিমান্দগা মরী লৈননা ষ্ট্রীট কোর্নর/এৱ্যোর্নেস মীটিং চখরকপদা পুলিসকগী মরক্তা মরৈ তৌনবগী থৌদোক থোকখ্রবসু মখা তানা মায় পাক্না চঙশিনখ্রে।

কম্মিটিগী খোঙজংশিং অদু ঙসি থাংমৈবন্দ লিলাসিংখোংনাংখোঙদগী হৌরক্লগা কংজাবি, নাগামপালগী লাইনিংথৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬.৬৫°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৩.৫৩°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৫০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৭

### HL Poll

Q: Party ayambana leingak semgani haiduna meeyamda hanjin hanjin washaklibasi thajaba yaba washak oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid Vaccinationgi thabakta governorna pukning changlaklibasi achumba khongthang oiroidra?

Yes 71% No 29%

### অস! লোইরেহে!

- কদাইদনো মায়েপ্তো।



- পাবুং মীখলদা মায়েপ য়াওদ্রে, কোপ্পাক্তা য়োল্লগে।

HL-B/7434/14 Jan to 14 Feb.

## জে পি নদ্দা লাক্তুনা বি জে পিগী মেনিফেষ্টো ফোঙলগনি

### প্রাইম মিনিষ্টরসু অথুবা মতমদা লাক্লগনি : বিরেন



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এনএস) : তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোক্লিবা বি জে পিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো চয়োল অসিগী মনুংদা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা লাক্তুনা রিলিজ তৌরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু অথুবা মতমদা ইম্ফালদা লাক্কনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা পার্টি অসিগী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা ক্রিএটিভ কেম্পেন হায়না মিংথোনবা ইলেক্সন কেম্পেন অমা হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা বি জে পিদা ভোট পীননবা কিহন-খংহনবগী থবক চখরে হায়নরকখিবা ৱাফমশিং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ডা. লোকেননা মৈনো লৈরক অমসুং অকোয়বগী মীয়ামগা মীফম পাঙথোক্তুনা মীখলগী খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এনএস) : থা অসিগী ২৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ১১-শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা জে দি - য়ুগী মীরেপ ওইরিবা ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শগোলবন্দ মৈনো লৈরক অমসুং অকোয়বগী অহল-লমনশিং অমদি ইন্টলেকচ্যুএলশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা মীখলগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।



মীফম অদু মৈনো লৈরক্কী মান্দবতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদগী হৌরদুনা পাঙথোকখিবনি। লৈঙাক্ল া পীবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকখিবা অহল-লমন অমদি ইন্টলেকচ্যুএলশিংগী অপূনবা মীফম অদুদা পূন্না মীওই ৭০ লোম্না শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. কে ঐচ লোকেননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মহাক্না শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগীদমক্তা তৌনীংলিবা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা অহল-লমন অমসুং ইন্টলেকচ্যুএলশিংগী মায়কৈদগীসু মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুথোক্লদুনা কূপ্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

